# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী ওইবা ৱাথোক্তা মিজোরমনা খুৎ থিংজিল্লকপা অদুব্ রাজ্য সরকারনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

২) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মণিপুর পুলিসনা আইন্না য়াদবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ ফারে।

অমসুং

৩) উরিষাদা চত্থরিবা ওল ইন্দিয়া দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীফমদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

------

সিএম (এল)ঃ মণিপুরগী ওইবা ৱাথোক্তা মিজোরমনা খুৎ থিংজিল্লকপা অদুবু রাজ্য সরকারনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

দি.আই.পি.আরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হিন্দুস্তান টাইমসকা ৱারী শান্নবদা মিজোরমগী মুখ্য মন্ত্রি লালদুহোমানা মণিপুরা রাষ্ট্রপতি সাসন থমহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখিবা অমদি ভারত-ম্যান্মার অন্তরজাতিগী ঙমখৈ পরিংদা শন্বল খাবা য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মহাকা জো মীয়াম পুনশিন্নবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

নিংশিংবা য়াই, মিজোরমগী মুখ্য মন্ত্রি অসিনা আমেরিকা খোঙচৎ মনুংদা বঙ্গলাদেশ, ম্যান্মার অমসুং ভারত্তগী খৃষ্টান নেসন অমা শেমনবা ৱাফম

ফোংদোকপা লৈখ্রবনি। চেরোল অদুনা হায়- য়ুমলোন্নবা ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা শন্বল খাদুনা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা, খুৎশু খুৎলায় অমসুং ড্রগ লল্লোনবা, লৈবাক মনুংগী ওইবা সেকুৗরিতি অমসুং ঙাকশেল লাকশিন্নবা ভারত সরকারনা হোৎনরিবা অসিদা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লাক্লি। মণিপুরদা হৌজিক আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লক্লিবা অমসুং ড্রগকী সমস্যশিং অসিগী হৌরকফম ম্যান্মারনি। মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি আইন কায়না ম্যান্মারদগী চংশিল্লক্লিবা মীওইশিংনা থোকহনবনি। মিজোরমগী মুখ্য মন্ত্রিনা ইতিহাসপু শেমদোক্তুনা মণিপুর সরকারবু লান্না প্রচার তৌরি।

মীরৈবাক্কী স্বার্থ য়েংলগা অৱাং নোংপোক ভারত মচেৎ তাহনবা হায়বসি মণিপুর সরকারনা কৈদৌনুংদসু য়াবা ঙমলোই। লমদম অসিবু তোখায় তানবা হোৎনরিবা মীওইশিং নত্রগা লুপ নত্রগা সংস্থানশিং আইনগী মতেংনা চপ চানা থেংনগনি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী লিলোং, হাওরৌ, হঙ্গাম থাবী, শলাম মকোক্তগী য়ু.এন.এল.এফ (নিংঙোল মচা) গ্রুপকী মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি-টুগী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩, নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু ৫, মোবাইল হেন্দসেট অমা অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংবা ঙমলে।

মণিপুর পুলিসনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী মণিপুর পুলিসনা কে.সি.পি (পিপলস ৱার) গ্রুপকী মীওই অহুম ফাখি। মখোয় আইন্না য়াদবা মওংদা খুৎলায়শিং পায়দুনা মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকশিংনি। মখোয়দগী ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এম ইন্সাস রাইফলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম, মোবাইল ফোন অহুম ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা প্রিপাক (প্রো)গী হকচিনবা মীওই অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী ঙরাং ফাগৎখি। মহাক ইম্ফালগী অকোইবদা লৈবা দুকানশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকি হায়রি। ফারবা মীওই অসিদগী

মোবাইল হেন্দসেট অমা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফংলে হায়রি।

মরক অসিদা, চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। নেসনেল হাইৱে-৩৭ অমসুং নেসনেল হাইৱে-টুদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ১৩২ অমসুং ৩৯৪ পুশিল্লকখ্রে।

কর্ফিয়ু (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।
অদুমওইনমক, ককচিং জিলাগী ওইনদি ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক নুমিৎযুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ুম কোমথোক্লি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ওল সমতাল খুলদা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মালেমদা হৌজিক হোংলক্লিবা অঙৌং অশাগী খল অমসুং উমং কোকথোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা উ চারাশিং অদু থাবনি।

তমেংলোং (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-১৩৭ দা শেমগৎ শাগৎলিবশিং জেমে নাগা কাউন্সিল মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনা য়েংশিনখ্রে। জেমে সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখিবা অদুদা লন্থী শেল্লিবা এজেন্সিগী মীহুৎ কাংবুশিংগা ৱারী শান্নদুনা অথুবা মতমদা থবক শুবা লোইশিন্নবা অমদি ক্বালিতি লৈনা থবক শুনবা হায়খি। মীহুৎ কাংবু অদুনা তৌসেম ভিলেজ ওথোরিতি অমসুং মান্দিউ ভিলেজ ওথোরিতিগী মীহুৎশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শাখি।

দাইবেটিস (এল)ঃ ৱার্ল্ড দাইবেটিস ডেগা মরী লৈনা এন.সি.দি সেল তমেংলোংনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংদা নুমিৎ পালন অসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এম.ও তমেংলোং জি. মগাচুংলুনা হায়- দাইবেটিস

নাবগী চাং হন্থহন্নবা অমদি দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংবু মতিক চানা লায়েংবীনবা হোৎনগদবনি।

সাহ্ঃউরিষাগী কোনুং ভুবনেস্বরদা লৈবা লোক সেবা ভবনগী কনভেন্সন হোলদা নুমিৎ হুমি চথগদবা ওল ইন্দিয়া দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীফমদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি। নুমিৎ হুমিগী উরিষা খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি ঙরাং ভুবনেশ্বরদা থুংখ্রে। বিজ্ পটনাইক ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্রদা সাসন তৌরিবা বি.জে.পি সরকারনা উরিষা মীয়ামদা অহেনবা খুদোংচাবা পিরি। উরিষাদা বি.জে.পি সরকার লাকপদগী শুভদ্রা য়োজনা য়াওনা মমা ওইবীশিং অমসুং নুপীশিংগী য়াইফনবগীদমক খোঙথাং কয়ামরুম লৌখৎলে। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি জ্ৱেল ওরাম, ধরমেন্দ্র প্রধান, অস্বিনি বৈষ্ণো অমদি অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা এয়ারপোর্টতগী রাজ ভবন ফাওবা রোড সো অমা পাঙথোকখি।

ওল ইন্দিয়া দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীফম অসি গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙরাং হৌদোকখিবনি। মীফম অসিদা নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি, রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী দি.জি.পিশিং, সি.আর.পি.এফ, এন.এস.জি, ইন্তেলিজেন্স ব্যুরোগী মকোকশিংসু শরুক য়ারি। মীফম অসিদা লৈবাক মনুংগী ওইবা ঙাকশেল, কাউন্তর টেরোরিজম, লেফ্ট ৱিং এক্সত্রিমিজম, অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং, কোষ্টেল সেক্যুরিতি, সাইবর ক্রাইম, মাওইষ্টকী ৱাথোক অমদি আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স অমসুং দ্রেনগুন্বা অনৌবা টেকে ালোজিশিংনা শিংনরক্লিবাশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। মীফম মনুংদা মথৌ নিংথিনা তৌবা পুলিস ওফিসারশিংদা প্রসিদেন্ট পুলিস মেদল খুৎশিন্নগনি।

এমজিএনআরইজিএস ঃ কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহাননা সভাপতি ওইদুনা নিউ দিল্লিদা ঙরাং মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল

ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্তি স্কিম (এম.জি.এন.আর.ই.জি.এস)কী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মন্ত্রিনা স্কিম অসিগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা নুমিৎ কোতি ১৮৭ থবক শুদুনা খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ কোতি ৪ লাখ ৬০ রোমদা থবক্কী কান্নবা ফংখ্রে।

শ্রী চৌহান্না হায়- স্কিম অসি নিংথিনা চখবা য়াননবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা লুপা কোতি লিশিং ৭৪ লাখ ৭৭০ থাদোকখ্রে। মহাকা হায়- খুঙ্গংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না চাওখৎহন্নবা স্কিম অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। হৌখিবা চহি মঙা অসিদা স্কিম অসিদা নুপীশিংনা শরুক য়াবগী চাং চাদা ৫০ হেনখ্রে।

কার্দ ঃ সরকারনা হায়রি- চহি ৭০ গী মথক্তা লৈবা অহলশিং আয়ুসমান ভারত-প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা (এ.বি-পি.এম.জে.এ.ৱাই)গী মখাদা থা অসিগী ২৫ ফাওবদা আয়ুসমান ভে বন্দনা কার্দ লাখ ১৪ রোম শেমখ্রে।

লোক সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী হকশেলগী রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ রাও যাদবনা হায়- সরকারনা এ.বি-পি.এম.জে.এ.ৱাই পাকথোক চাউথোক্লুনা চহি ৭০ গী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবশিংদা চহিদা লুপা লাখ ৫ চংনা অনা লায়েংগী লেমা খুদোংচাবা ফংহল্লি। মহাকা হায়- হৌজিক ফাওবদা মসিগী খুদোংচাবা ফংবা ইমুং কোতি ৪ লাখ ৫০ রোম শুখ্রে অমদি মীওই কোতি ৬ হেন্না স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা হোস্পিতাল লিশিং ২৯,৮৭০ এমপেনেল তৌরে। মসিগী মনুংদা প্রাইভেট হোস্পিতাল লিশিং ১৩,১৭৩ য়াওরি।

সংসদ ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙরাং মরিনি চনবা নুমিৎতসু চরাংনবা থোক্লুনা য়ৈথোকখ্রে। মমিং লৈরবা কম্পনি গ্রুপ অমগী শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক য়াওনা অতৈ হিরমশিংদা বিরোধিনা চরাংনবা থোকপদগী সভাগী মীফম য়ৈথোকখিবনি।

লোক সভাদা অহানবগী ওইনা য়েথোক্লুরবা মতুং নুমিৎয়ুংবদা অমুক হন্না ফম্বদা বিরোধি দলশিংনা সভাগী ৱেল তমা চংশিল্লক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি। বিরোধি দলশিংনা এদজোর্নমেন্ট নোটিশ পুখৎলকপা অদু প্রিসাইতিং ওফিসারনা লৌখিদে। চরাংনবা মরক্তা সভাগী মীফম নোংমগী ওইনা য়েথোকখি।

রাজ্য সভাদসু ঙরাং মীফম হেক হৌবগা চেয়ারমেন জগদিপ ধনখরনা বিরোধি দলশিংনা পুখৎলকখিবা এদজোর্নমেন্ট নোতিশ অদু য়াখিদে। মদুদা বিরোধি দলশিংনা খোল্লাউ কয়ামরুম লাউখি। চেয়ারমেন্না বিরোধিগী থৌওং অদুবু মীয়ামগী ওইনা খন্দে হায়খি। চরাংনবা মরক্তা চেয়ারমেন্না সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি। সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম মথং থাগী অনিদা অমুক হন্না ফমগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা লৈমাখোংদা লৈবা আর্মি কেম্পতগী মাংখিবা মীওই অদুগী লংলা লংজিল পুথোকবা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা লুপ কয়ানা ফোংদোকখিবা ৱাফম, ওল ইন্দিয়াগী দি.জি.পিশিংগী কনফরেন্স হৌখিবা অমসুং সেনাপতিদা পাঙথোকখিবা ত্রাইপরতাইদ টোঙ্ককী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা- কমল বাবু ফংনবা থিবদা আর্মিনা অচৌবা থৌদাং লৌনবা খঙহনখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবাা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। ঙসিদগী অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না জে.এ.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমসু পাউচে অসিদা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা- কমল বাবু থিবগী থৌদাং ইন্দিয়ান আর্মিনা লৌফম থোকই, লৈঙাকসু হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, মোর্নিং বেল

অমসুং মণিপুর মেলদা অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মণিপুরদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেন্বগী ইসুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারস, মণিপুর গভর্নমেন্ট অমসুং য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগা ত্রাইপরটাইদ টোক্ক চথখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোংদা টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ৫৯ শুবা দি.জি-আই.জি.পি কনফরেন্স হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা হৌদোকখ্রে, মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম খন্নগদৌরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি- ওল ইন্দিয়াগী দি.জিপিশিংগী কনফরেন্স হৌখ্রে, ইন্তরনেসনেল বোর্দর ইসুগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে হায়না মণিপুর নিউজদা- অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

লমদম অসিদা অনৌবা লুচিংবা অমা মথৌ তারে হায়না বি.জে.পি এম.এল.এ- রামেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্তা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চিনগা খুৎকা মান্নবা অনৌবা লিদর অমা মথৌ তারে হায়না এম.এল.এ অসিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

কোতুনা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা পুং ১২ গী টোতেল সটদাউন লাউথোকখিবগী ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------